# লায়েংবীদ্রবা মণিপুরগী এদেদ স্কুল

- এম থম্বৌ -

**মণিপুরদা** ঙসি ঙসিমক মীওই কয়ানা মাগী মাগী ঙম্বা তাক্তা শূ-নোমদুনা মচাশিংগী অমদি ইমুংৱমনুংগী মপূক পুবা ঙম্নবা হোৎনবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা শিন্মী ময়াম অসিগী মরক্তা লৈপাক অমদি লমদমসিগী তুংগী যূম্বীরেল ওইগদবা কয়াগী তুংগী কয়াৎ কয়া য়াৎপীদুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা কয়াসু অদুম য়াওরিবনি। অদুগা মশাগী কান্নবসু লৌবা মীগী মতেং কয়া পাংবিবা অদুগুম্বা মখলগী শূ-নোম্বা কাঙবুসু অদুম য়াওরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মরক্তা মীগী অমদি খুন্নাই অসিগী মতেং পাংলিবা লৈপাক শেম্বদা অচৌবা ফিদা কল্লিবা শিন্মী কয়াবু হায়বা তাই মখোয়শিং অদুদি মরু ওইনা ওজা হায়বা শিনফম অসিনা অথোইবনি।

সংসারগী অচৎ চত্তা মীওইনবু পোল্লবা ওজাগী লমজিং লমতাক মখাদা লোইনা লৈরম্বা ঙাক্তনি। শা অমসুং উচেক ৱায়া কয়াগীসু ওজানা মমানি। মীওইবগীসু মমানা অহানবা ওজানি। অদুনা মসিদা খেন্নরিবা হায়বসি শা-উচেক ৱায়া, অতোপ্পা জীপ কয়ানা মমাগী তম্বীবা অদুদগী হেন্দোকপা ওজা গুরু লৈতে। অদুনা মীগীদি পোকপদগী লৌশিং লাকত্রিফাওবনা মমানা ওজা-গুরু ওইবগী মতুং লৌশিং লাকখ্রবা মতমদদি অতোপ্পা ওজা কয়াগী মতেংনা খুন্নাই অসিদা মখোয়গী মফম অমমম কনবা ঙম্নবা হোৎনরকই।

অসিগুম্বা অসিদনি মীওইবলক্তদি ওজাগী শিনফম্না অথোইবনি হায়রিবা। অদুগা ঐখোয়গী ঙসি শিনফম খুদিংদা লৈরিবা মীওই খুদিং ওজাগী শিনফমদা লৈবা মীওইবগী পোৎথোকনি হায়বা অসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। অদুনা লৈপাক অমা, লমদম অমা, লৈকায় অমগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওই, ওজাগী থৌদাং লৌরিবা অমদি মসিগী শিনফমদা লৈবিরিবা খুদিংনা ৱাখলদা তিনজেন কাইজেন্দ্রবদি অফবা খুন্নাই অমগী আশা তৌবা য়াই। হায়রিবা শিন্মীশিং অদুনা লায়না তীলনা তারবা মখোয়বু লায়েংবীদ্রবা খুন্নাইসিগী মীওই খুদিংসু ফত্তবা হৈনবীগী লায়না পোল্লক্কনি।

মতাং অসিদা ওজা হায়বা শিনফম অসিগী ৱাখলগী লায়না, থৌনাগী লায়না অসি কনানা লায়েংবীগনি হায়বদি ডাক্তরনা লায়েংবা য়ারোই। লৈঙাকপশিংনা ডাক্তর ওইদুনা মখোয়বু মখল মখা কয়াগী ত্রিটমেন্ট তৌবীদুনা হীদাক থাবিগদবনি। অদুগা নাদ্রিঙৈদগী হৌরগা নাদনবসু মতম মতমগী ওইবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপীদুনা মখোয়বু চেকশিন্না ঙাক শেনবীগদবনি।

অসিগুম্বা কাঙবু অসিদি মণিপুর লৈঙাক্না শুকয়েং য়েংবীদনা লৈরি। অদুনা ঙসিগী লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিং খুদিংদা থবক পুরিবা শিন্মী অপূনবা শম্বল খাদ্রবা ইঙ্খোলগুম থম্বীবা অসি চাউরাক্না চহী ৩৮ মপূং ফাগদবা শুপ্পগী থা ৪/৫ খক্তা ঙাইরবনি। অসিগুম্বা স্কুল কয়া শম্বল খাবিদবনা ঙসিদি মপূ পান্দ্রবা মতৌগুম নিংথিবা ফজবা পাম্বী কয়া ঐখোয়না উবা ফংখিদ্রে। ইঙ্খোল অসিদা থবক শূদুনা মনা-মশিং কয়া থাবিগদবা ওজাশিংদি থৌনা লৌশিং লোইনা মাঙখিদুনা থবক চাং নাইনা শূবা ঙমদনা লৈরিবনি। হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্কী ওইবা অনৌবা থৌশিল থৌরাং লৈবগী মমীসু তাদে। মদুগী খুদমদি মণিপুরগী এসেমব্লিদা এদেদ স্কুলগী অমদি লমদমসিগী লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎনবা পুথোকপীবা তৌবীদবা অসিনা তাক্লিবদি মখল অমতগী চেকশিন থৌরাং অমত্তা লৌখৎপীদনা লৈ তাকপনি।

খ্বাইদগী মরু ওইবা হীরম অসিনা নম্মোন ওইনা থল্লগা অতোপ্পা মশা ওইবা ৱাফম কয়া মৈ হৌনা নৈনদুনা লৈরে। থোং শাবা, লম্বী শেম্বা, ওফিস শাবা, দাম শাবা পূন্নমক অসি স্কুল এদ্যুকেসন শোয়রবদা করিমত্তা কানবা ফংলোই। মসিদা লৈবাক অসি চাওখৎপদি লায়রদনা নোংমা নোংমগী তিন তারক্তুনা মপাম্বী মউ কংশিল্লকপা মশানা তাবনি। অসিগুম্বা অসিদগী কনবা ঙম্নবা লৈঙাক্না হোৎনদবা অমদি খনবীদবা অসি লাইবক থীবনি। লৈঙাক্না ফিল্ডদা চৎতুনা য়েংদ্রবসু মীয়ামগী খোল্লাউ ওইনা লাউরিবা অমদি মিদিয়াগী খূথাংদা ফাওবদি খঙবীবা য়াই। অদুবু মিদিয়া অমদি পাউচেগী কানবা করিসু লৈতে।

কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর অহানবা তারিখতগী মণিপুরগী রিকগনাইজ স্কুল ৬০৫ মতম অদুগী আর কে দোরেন্দ্রোগী লৈঙাক্তা এদ্যুকেসনগী বিভাগ পায়বীরম্বা শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম এল এ শক্লাইবা লুচিংবা অমা ওইরকখিবা খেময়া তুয়া লৈতবা শ্রী ইরেংবম তোমপোক্না গ্রান্ট পীবিদুনা স্কুলশিং অসিগী থৱায় হাপীখিবনি। মতম অদুদা সেকেন্দরিদা পোষ্ট কেরানি য়াওরগা ৪/৪ ইলিমেন্টরিদা অনী/অনী নন প্লান্ট ওইনা পীবিখিবনি। অদুগী মতুং কুমজা ১৯৮৬তা অহেনবা পোষ্ট স্কুল খুদিংগী অমমম হাপীদুনা মশীং হেনগৎহনখি। অদুদগীদি ওজা কয়ানা হায় স্কুলগী থাক্তা থ্রিদগী টেন ফাওবা লৈবা য়াই। সিক্সতগী তেন ফাওবা লৈবা য়াওনা সফর তৌবা ওজা কয়াগী মতেং লৌরগা স্কুলশিং অসি চলাইবা হৌরকখি।

সেঙ্কসন পোষ্ট অহুম নৎত্রগা মঙাগী ফ্লেট রেটকী শেনফম্না স্কুলদুগী অৱাবা খাঙলিবা ওজা কয়ানা য়াম্না ৱানা য়েন্নদুনা ফংবা শেনফম্না মথৌ তৌদুনা লাকখি। ফংলিবা শেনফম অদুদি মতম মতমগী ওইবা অহেনবা থৌশিলসু পায়খৎপীদবনা কুমজা ২০১০গী আর ও পি ফাওবা পীবিদনা লৈরিবনি। শাংখ্রবা চহীশিং অসিদা এদেদ ওজাশিংনা অপীকপা শেনফমসিনা হিংনবগী লানফম মায়োক্লদুনা মথৌ তৌদুনা অঙাং শেম্বগী থবকসু লৈথোকপা তৌদনা লাকখিবনি। হৌজিক পোৎকী মমলনা অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা, জি এস টি লাকপদগী পোৎ খুদিং তাঙদবা লৈরক্তবা, লৈঙাক্কী শিন্মীগীনা সভেন পে পীনবা তক্লরকপা মতম অসিদা হান্নগী লুপা ২৫০০দগী ২৮০০ ফাওবা অদুদগী হেন্দবা, মদুনা ইমুং পুবা ঙম্লক্তবা অসিদসু অরুবা অমা ওইরকখি।

অমুক্কা হেন্না খুদোংথিরিবদি কুমজা ২০০৬তগী ওজা কয়া বোর্ট ইলিমেন্টরি অমসুং সেকেন্দরিদা মহুৎ হাপচিনবা খুদক খুদক্কী ওইবা য়ারম্বা অদু থৌবাল হাওখাগী চয়েৎনবা স্কুল অমগী কেসকা মরী লৈননা কুমজা ২০১১ ফাওবা হাপ্পা য়াহন্দনা থিংদুনা থম্বীখি। তাং ২৩-১২-২০১১দা লৈঙাক্কী থৌশিল অমনা য়াহনবীরকখি। অদুবু খুদক্কী ওইবা ইফেক্ট তৌবীদুনা চহী ৫/৬কী শেলগী অৱাবা পুরিবা ওজা ময়াম য়েন্নগদবা অদু মাঙহনবীখি। হৌজিকসু অহাংবা পোষ্ট কয়া মেনশিনবীদনা চহী কয়া, থা কয়া মাঙহনবীদুনা থম্বীরি। অদুগী মথক্তা এদেদ সেকেন্দরিদা সেন্তরনা চান্মদা চান্মা গ্রান্ট পীবা হিন্দি পোষ্ট চান্মা অদুসু কুমজা ২০০০দগী ককথৎতুনা থম্বীখি। অদুগা চহী কয়া অঙাং শেম্বগী থৌদাং লৌরক্লবা শোনজিল্লক্তুনা থবক্তগী পোত্থাবদা অতোপ্পা থবক শূবসু ঙমজদ্রবা অহল ওইরবীশিংগী বেনিফিট অমত্তা ফংহন্দনা পুন্সি নুমিৎ তারমদাই অসি ফাওবদা মরুভুমিদা পুন্দুনা থম্বা জীবগুম থম্বীবা য়াম্না লাইবক থীবা অমসুং অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎনদবা লমদম অসিগী নাগরিক নত্তবগুম রিফ্যুজি অমগুম হক পূম্বা লোইনা মাঙহনবীবা লমদমসিগী য়েলহৌমী অমা ওইনা করম্না খাঙফম থোকপগে?

পূন্নমক অসিনা এদেদ স্কুলগী ওজা পূম্বা কুম লায়নানা নারবা মচা মশুনা লায়েংবীদ্রবগুম থম্বীবা অসি অচুম্বা নত্তে। অসিগুম্বা ফীভম শোল্লবা ফাওবা লৈঙাক্না য়েংবীবগী মহুৎ মুথৎনবা ঙাইদুনা লৈবিরি। মসিদা এদেদ ওজা কয়ানা ওজাগী শিনফমদা লৈরুবনা অকনবা প্রেসর পীবসু ঙমজদা মাইবনা খূৎ থারবা অনাবা অমগুম শিবা ঙাইবা নত্তনা করিদা উপাই লৈগনি। পূন্নমক অসিদা অনৌবা লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না অচৌবা আশা কয়া তৌনরিবা অসিদা এদেদ ওজা কয়াদি আশা অমা ফাওবা তৌবা য়াররোইদ্রা হায়বা ৱাহং অসি এদেদ স্কুল ওজা কয়ানা হংনরক্লি। মসিবু তাবীদবা হায়বা অসি মপি-মপা অমা ওইবগী অচুম্বা থৌওং ওইগদ্রা হায়বা ৱাহং অসি হংদুনতা লৈনরিবনি।

# লৌথোকপা লৌশিনবনা লাইনীং ওইরবা ইরমদম

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-






*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

স্পিচ পীবা অমদি স্যের তৌবা নত্তনা, শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাক্কী ঙমজবা থাক্তা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবু মহুৎ শিন্দুনা মালেমগী মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা কয়াদা কংলৈ ইমাগী শক্তম্বু লৌরিবী মচু তরেৎকী ফিরাল কয়ারক পাইহনজখ্রে মালেমগী মীয়াম অমদি লৈপাক কয়াগী মমাঙদা। মদুতা নত্তনা ঐহাক্কী ইচানুপী বেম বেম অমদি ইচানুপা বুঙ বুঙবুসু ইরমদম কংলৈপাকপু মহুৎ শিন্দুনা অঙাংশিংগী কাঙলূপ্তা মমাঙ চহীগী মে থাদা সিওলদা পাঙথোকখিবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাক্তুনা অহানবা মনা ফংদুনা ইরমদমগী মচু তরেৎকী ফিরালবু নীংতম্না হাইনা হুম্না পাইহনবতা নত্তনা ইরমদমগী লৈপাক নীংবগী 'মণিপুর কৌবী ইমানি...' হায়না শৈহৌবা শৈশকপু বেক গ্রাউন্দদা থাদোক্তুনা মালেম শিনবা থুংনা তাহনখ্রে। মতমদুদা মালেমগী লৈপাক কয়াদগী লেঙবীরকখিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসল খুদিংমক্লা লেপখৎতুনা ইরমদমসিগী শৈশকপু অমদি মচু তরেৎকী ফিরালবু ইকায়খুম্নবা উৎপীখিবনি।

শান্ন-খোৎনবগী ফম্বাক্তদা নত্তনা, মমাঙ চহীগী জুলাই ২৭তা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ইরমদম ইম্ফালগী সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বদা First "Legendary Mr. Maipak and Dr. Ngangbam Meetei Natural National Level Bodybuilding and Fitness" পাঙথোক্তুনা নেচরেলবু পামজবা ইরমদম মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়াদা নেচরেল ষ্টেজ অমা হাংদোকচদুনা মখোয়না মনীং মখা তম্না চাহৈদবা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি ময়াই কাবা দ্রগনচিংবা চাদনা থোকচবা ঙমজখি। হায়বদি ইরায় লায়, করিসু লুনা খন্থরুদবা য়াই। অদুবু মসিনা অদুক্কী মতিক অচৌবা, অহোংবা অমা ইরমদম কংলৈপাক অমদি ইন্দিয়া পূম্বদা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি মীয়াম্না খঙদবদৌনা তৌই। ঐখোয়না কাউরোইদবদি, ঐখোয় ঐখোয়না চারিবা চিঙ্গাক অদুগী মতুং ইন্না ঐখোয় ঐখোয়গী লমচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, হৌন-লোনচৎ অমদি ৱাখল্লোনসু তোঙাল্লি হায়বসিনি।

অমরোমদা, ঐহাক্লা ঙমজবা শেল পুথোকচদুনা লৈত-লায়র ইমুং, কনা লৈজদ্রবা অহলশিংগী লৈফমদা চৎতুনা অঙম্বা মতেং পাংজে। ঐহাক্লা হেক খঙলকপদগী ঙসি ফাওবদা চহী অমত্তা লেপ্পা লৈতনা নোংপোক ককচীংদা লৈবা ময়ূম-মকৈ কনা লৈজদ্রবা অহলশিংদা ঙমজবা মতেং পাঙলক্লি। মসি শেল পায়বগী ৱাফম নত্তে, অদুগা মমিং লৈবগী ৱাফমসু নত্তে, থম্মোয়গী ওইবা মীনুংশিদুগী ৱাফমনি।

ইশামক্লা য়ৌবা ঙমদ্রবা মফম অমদি ইরৈচা কয়াদা মখোয়গী পূক্লিং অমদি ৱাখল থৌগৎনবা হৈজবা খঙজবা পুথোকচদুনা টি ভি, রেদিও, ন্যুজপেপর, মেগাজিন্নচিংবদা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা, হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী পাউচেদা চয়োল খুদিংগী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ইজরিবা অসিনচিংবা অসিসু ইরমদমদা ঐহাক্কী অঙম্বা মতেং পাংজবগী খোঙথাং অমনি। পূন্নমক অসি ঐহাক কনানো, করি ওইরি, করি থবক তৌরি, কদাইদা লৈরি হায়বগী ৱাফম করিসু লৈতে, মসিদি থম্মোয়গী নুংগী ইরমদমবু নুংশিজবা অমদি ইরমদমগীদমক করিগুম্বা অঙম্বা খরা তৌজনীংবা অদুগী ৱাফমনি। ইরমদমবু তশেংনা নুংশিরবদি ঐখোয় খুদিংমক ঐখোয় ঐখোয়না ঙমজবা খরদি লোইনা তৌবা য়াই। ঐখোয় ঐখোয়তা নত্তনা ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংবুসু খুন্নাই অদুগী মীওই অমা ওইনা খুন্নাই অদুদা ঐখোয় খুদিংমক্লা অঙম অঙম্বা খজিক খজিক্তা ওইরবসু মতেং পাংগদবনি হায়না তম্বীগদবনি। 'অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিগী মহুত্তা, লৈঙাক অসিদগী, খুন্নাই অসিদগী ঐহাক করি লৌথোকপা য়াই, করি তৌসিগে, অতোপ্পদগী করম্না করি মুনসিগে হায়না খন্দুনতা লৈরবদি ইরমদম মাঙদা চঙশিনবা ঙম্লোই, শুংচাও চাওখৎলোই ফনা কন্না হোৎনরবসু। চহী কয়া য়াম্না ইরমদম কংলৈপাক্লা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা শেন্মীৎ-থুন্মীৎ, চাওখৎপদা, লাইরিক লাইশুদসু অদুক্কী মতিক শোত্থনা লৈরিবসি করিগীনো হায়না হংলবদি ঐখোয় খুদিংমক লৌশিনবগী ৱাখলতা লৈবা অদুগা খুন্নাই অসিদা করি পীসিগে হায়বগী ৱাখলদি য়াওদবা অদুননি। মসিগী চাউরবা, য়াম্না ময়েক শেংলবা খুদমদি চহী কয়া কয়া ঐখোয়গী ইরমদমগী লৈঙাকপশিংনা লৈপাক্কী শেনফম কয়াবু মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাওদা হাপচিন্দুনা লাকপগী চৎনবী অসিনি। মখোয়দা নত্তে, লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা থবক লোইশঙ কয়াদা ফম চাউনা চাউনা পায়রিবা ওফিসরশিং অসিনসু শেনফম কয়া কয়া মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাওদা হাপচিন্দুনা লৈপাক্কীদি করি তৌবীদনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। অচৌবা মখোয়তা নত্তনা পীক্ল-পীক্লবা ওফিসকী চে-চাং পুথোক পুশিন তৌবা চম্প্রাসি হায়ব্রা, মখোয় ফাওনফাও শেল পীদ্রবদি চে-চাং অমত্তা য়ৌবীদে মতম চানা (থবক মচা তৌই হায়না হন্থনা য়েংজবগী ৱাফম নত্তে, মখোয়গী ৱাখল্লোন্দুবু হায়জবনি, পঞ্জবনি)।

মসিগী খ্বাইদগী চাউরবা হৌরকফমদি থবক হাপ্পদা, পীবদা শেল চাউনা চাউনা লৌবগী চৎনবী অসিনি। খুন্নাই অসিগী থবক লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবা অয়াম্বনা লৈঙাক্কী চুপলি পায়বিরিবা মিনিষ্টরশিংদনি খঙদে, অচৌ অচৌবা ফম পায়রিবা ওফিসরশিং, মীওইশিংদনি খঙদে শেল চাউনা চাউনা পীদুনা তৌরকখিবনা মখোয়সু মদু হঞ্জিন্নবা হোৎনরকপদা শেঙ্গা-থুমজাগী চৎনবী অদুম ওইখ্রে। তশেংবদি শেল চাউনা চাউনা লৌদুনা থবক হাপ্পসি থবক পীবিবা নত্তে, ইমুং কয়া অমা হিংহাৎ হাৎপনি। থবক ফংজগদ্রা খন্দুনা মীওই কয়া অমনা পীশিনখিবা শেঙ্গাউ ময়াম অমা থবক পীবিদ্রবসু হন্দোকপীদনা ইমুং কয়া অমা হাৎতোকপীরিবনি, মসি লৌরুবা মখোয়দি করিসু খঙবিপোৎ নত্তে। পীরুবা মখোয় খক্তনি ৱাজরিবা। লৈজবা লৌ, ইঙ্খোল, সনা-লুপা খুদিংমক য়োম্থোক্তুনা থবক মচা অমতং ফংলবদি হায়দুনা লোইনা পীথোকখ্রগা থবকসু পীবিদা, শেলসু হন্দোকপীদা ইমুং কয়া হাৎতোকপীরে, মীওই কয়া নীংবা কায়না হিংহনবীরে।

মরাইবক ফদুনা থবক ফংখিবা মখোয়দুনা অমুক মখোয় মখোয়না পীখিবা শেনফমশিং অদুগী শরুক কয়া অমা চাউনা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মখোয়না অমুক অঙম অঙম্বা লৌরকপা মশানা তাবনি। শেল পীরুরগা থবক তৌরকপনিনা শেল লৌরুনু করম্না হায়গদৌরিবা। হৌজিক্কী লৈঙাক্লা লাউরিবা করপসন মুত্থৎসি হায়রিবা অসি থবক্তা ওল্তোকসি হায়রবদি অহানবদা মখোয়না থবক খনবদা শেল লৌবসি অমুক্তা হান্না তোকপীখো নৎত্রদি করপসন মুত্থৎপগী ৱাহৈদো অমুক শীজিন্নবিরগনু। লৈঙাক্কী চুপলি পায়বিরিবা নখোয়না অহানবা খুদম ওইদুনা শেল লৌদনা মতিক চাবা মীওইশিংবু থবক হাপ্পীদুনা ইরমদম কংলৈপাকসি চাওখৎনবা অমুক্তা হোৎনবীয়ু, করিগী ইরমদম চাওখৎলোই। নখোয়না অফবা খুদম ওইরবদি মীচম মীয়ামদি অদুম শোয়দনা নতুং ইন্নরক্কনি। টাইৱান্দা ঐহাক্লা ইংলিসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা চঙলকপদা শেল সিকি অমফাওবা চঙখিদে। ঐহাকপু পি ঐচ দি অমনি, মতিক চারে হায়দুনা ঐহাকপু প্রোফেসর অসিগী থবকসি পীখিবনি। মণিপুরদা লৈদুনা থবক তৌগনি কায়না লৈরম্লদি ঐহাকসু ককঙাওনদুনা অদুম মাঙখিরম্বসু য়াই, হায়বদি নোংমগী চরা অনী শুবা চাবা ফংজদবা ঐহাক্কুম্বনা কদাইদগী অসুক য়াম্বা শেল পীবা ঙমগদৌরিবা। ইরমদম অসিদা ঐহাক্কুম্বা চীংমী-তম্মী মীওই কয়া অমা, ইমুং কয়া অমসু লৈরি হায়বসি কাউবীগনু লৈঙাক্কী চুপলি পায়বিরিবা অঙম্বশিংনা।

লমদম অমা চাওখৎপদা অদুক্কী মতিক মরু ওইরিবা লম্বী থোঙ নীংথিনা শেমজিনবীদুনা চাওখৎনা লৈগদবদা থিকাদার, এঞ্জিনিয়র কয়ানা শেনফম শুনা থাদবীদবদগী ঙসি ফাওবদা লম্বী থোংশিং কয়া ফত্তনা লৈরি। লম্বী থোং নীংথিনা লৈতবা মফমদুনা কদাইদগী চাওখৎপা য়াগদৌরিবা। শম্না হায়রবদা অফ্রিকাগী লৈপাকশিংসি য়েংবিয়ু, মালেমগী খ্বাইদগী লম্বী থোং ফত্তনা লৈবা মফমনি। মরম অসিননি খ্বাইদগী চাওখৎতবা কন্টিনেন্ট অমা ওইরিবা। 'মকোক থোংবা, লৈঙাক্কী চুপলি পায়বিরিবা লুচিংবশিংনা অফবা খুদম ওইনা লৈবিবগী মহুত্তা, মখোয়না অসুম্না শেঙ্গা থুমজাদা ইকায়বা মচেৎ অমত্তা য়াওদনা, ফোংনা-ফোংনা শেঙ্গা-থুমজা তৌরবনিনা মখা তাবা মীচম মীয়ামসু মদুগী হৈনবীসি লোইনা লৈনরে। পীথোকপা, মতেং পাংবগী মহুত্তা অতোপ্পদগী লৌথোকপা, নম্ফুদা লৌথোকপা, হুরানবা হায়বসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী চৎনবী ওইদুনা লৈরে। মসিগী চৎনবীসি থুগাইদবা য়াদ্রবনি ঐখোয়। চৎনবী অসি থুগাইসি, অনৌবা অফবা য়াওল অমা পুরকসি হায়রবদি ঐখোয় ইশা ইশাগী খরা খরা পীথোকপা তম্লসি। ইরমদম কংলৈপাক্তগী নৎত্রগা লৈঙাক্তগী করি লৌসিগে হায়না খনবগী মহুত্তা ঐহাক ইরমদম অসিদা করিদি পীবা ঙমগনি, করি মতেংদি পীবা ঙমগনি, করি তৌবা ঙমগনি হায়না খনবা হৌরসি। কয়া য়াম্না পীথোকপা, মতেং পাংবা হায়বসি ঐহাক্কী ফীভম, থবক, শেল-থুম্না লেপ্পা নত্তে। মসিদি ঐখোয়-ঐখোয়গী পূক্লিং, ৱাখল অমদি থম্মোয়না লেপপনি। ইচম চম্বা খুদম অমা হায়রবদা ইরমদমসিদা য়াম্না ইনাক-কৈরাক খুনবা মীওই কয়া অমা লৈরি সিকি অমা অতোপ্পদা মতেং পাংবগী হৈনবী লৈতবা, লৌশিনবতা লাইনীং ওইদুনা লৈবা। অদুগা অমরোমদনা লায়রজনা লৈজবা মীওই কয়া অমসু লৈরি অতোপ্পগী মতেং পাংজবদা নুংঙাইজবা।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, ইরমদম কংলৈপাক্লা লৈখা তারবদি শেল পায়বসু পায়দবসু লোইনা ৱাগনি, য়াম্না তোনবা মী ওইনা লৈখিগনি অতোপ্পা মফমদগী, মপান্দগী লাকপা মীওইশিংগী মখাদা। অদুগা থম্মোয় খরা চাউথোক্লদুনা, ইরমদম অমদি অতোপ্পগী খন্দুনা খরা পীথোকপা, খরা মতেং পাংবা, খরা কত্থোকপা তৌরবদি চাওখৎলক্তুনা ঐখোয় লোইনা নুংঙাইমিন্নবা ঙমগনি হায়বসি কাউফরোই ইরৈচাশিং। পৈশিল্লিবা লনশিংদো শিবদা পুখিবা য়ারোই। পৈশিল্লিবা লনশিংদুনা নখোয় নখোয়গী নচা-নশুশিংদো শূনীংদবা কতন, মীরেম হায়বদো ওইহল্লোই হায়বসু ঙমদেদো। শেঙ্গাউ পায়বা ইমুংগী মচা মশু কয়া কয়া চাহৈদবা চিঙ্গাক চাশিন, শূনীংদবা কতন ওইদুনা কয়া অমনা শিখ্রে, শিগদবা কয়া অমসু লৈরমখিনি লমখাংদা মপুন্সি লোইগদবা, অদুগা তৌহৈদবা থবক কয়া তৌশিন, কয়া অমনা কৈশুমশঙদা লৈরমগনি। তেল্লবা পুন্সিনা হিংলিঙৈদো অফবা খরা তৌরম্লগা হরাউ হরাউ নুংঙাইনা পুন্সি লোমখিবনা শরুক চান্মা হেন্না ফৈ মখোয়গুম শিগদৌবগী শরুক। লৌথোকপা, লৌশিনবগী লাইনীং থাদোক্তুনা ইরমদম কংলৈপাক্কীদমক অঙম্বা করি তৌসিগে, তৌরমসিগে হায়বগী হৈনবী, ৱাখল্লোন থম্বা তম্লসি। য়াইফমীন্নরসি।




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্লি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে?
(খ) করম্বা শাগী মউন্না তিংবদা পূংখোল থোক্লকখিবগে?

২। "থাপ্না উরিবা চীং অসি ওম্থোক্লা ফজৈদা/নৌনা পূক্লিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।" পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা 'মহেশ'কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। কুমজা ১৯৭৭তা 'নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোক্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "শাৎলমদরে কোম্বীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।" ঈশৈ পরেং অনীসি 'ঈশৈ চনিগী পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।